**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-07-2026)**

**রোল (এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মনিপুরদা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা, রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-অরুনকুমার সিনহানা পাউমীশিংদা হায়-অপুনবা ভোটর লাখ ২০ লিশিং ৯৩,০৭৬ কী মনুংদা ভোটর লাখ ১৯ লিশিং ৩৪,৩৯৯ না মখোয়গী ইন্যুমেরেসন ফোর্ম পীখৎলকখি। মসিগী মনুংদা নুপা লাখ ৯ লিশিং ৪০,৪৪৬, নুপী লাখ ৯ লিশিং ৯৩,৬৬০ অমসুং থার্দ জেন্দর ২৯৩ য়াওরি। চহি ১৮ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইলেক্তর মশিংনা লিশিং ২০,৪৪২ নি।

দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অসিদা মীয়ামনা য়েৎনিংবা অমদি মখোয়গী ৱাকৎ ঙসিদগী হৌরগা আগষ্ট মরি ফাওবদা থাংগৎলকপা য়াগনি। ৱাকৎ খুদিংমক সেপ্তেম্বের অনি ফাওবদা কুপা খন্নরবা তুংদা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল সেপ্তেম্বর তরুক্তা ফোংগনি।

এস.আই.আর. পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙসি থৌবাল, চান্দেল, ককচিং, সেনাপতি, বিষ্ণুপুর, কামজোং অমসুং নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলশিং ফোংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংগীসু এস.আই.আর. লোয়খ্রে। জিলা অসিগী ওইনা পুন্না ইলেক্তর লাখ ৩ লিশিং ১৪,৮৯৩ দিজিটাইজেসন তৌখি। অদুগা ইলেক্তর লিশিং ১৬,৭০৯ না শিখিবা অমসুং লৈফমনচিংবা হোংদোক হোংজিন তৌখিবনা দাটাশিং লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি।

**মহোতসব (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চয়োল অমা চুপা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু ৭৭ শুবা বন্দ মহোতসবকী থৌরমশিং পাঙথোকরি।

তমেংলোং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-অমিত কলেরনা লুচিংদুনা তমেংলোং হেদক্বাটর, তৌসেম সব দিভিজন অমসুং তামৈ সব দিভিজনদা বন মহোতসবকী থৌরমশিং পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা উ পান্বীশিং থাখি।

চান্দেল জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়া থাদুনা বন্দ মহোতসবকী থৌরম পাঙথোকখি। ঙসি থৌরম পাঙথোকখিবা মফমশিং অদুগী মনুংদা-লৈপুং তম্পাক, খুনিংলুং অমসুং উনাপোৎ খুলশিং য়াওরি। থৌরম অদুদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস-চান্দেলগী ওফিসিএল, ভিলেজ ওথোরিতি, মহৈরোই অমদি খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী, দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা শিনদুনা ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ. ডা: য়ুমাম রাধেশ্যামনা হায়-মতমগী চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা মীওইবনা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমদা হিংননবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাবু কাউথোক্লুবদগী মালেমগী মীয়ামনা মহৌশাগী খুদোংথিবা কয়া মায়োক রি। থৌরমদুগা মরী লৈনা উ পান্বী কয়া থাখি অমদি উ চারা কয়া য়েন্থোকখি।

**নিংঙোল (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা মতাই জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কমিতি, মতাই ৱিমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন অমসুং নহারোল য়াইফ লমজিং ক্লবকা খুৎশমদুনা শিনদুনা মঙাশুবা নিংঙোল ভানা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মতাইদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি মরুওইনা উমং য়োকখৎপা অমদি মহৌশাবু ঙাকপী শেনবীবদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু মশক খঙবা ওইনা মহৌশাগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবগী পান্দমদা হৌদোকপনি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম সুরেসনা হায়-উমং য়োকখৎপা অমদি মহৌশাবু ঙাকপী শেনবীবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। লমদম অসিবু অশং অমাননা থনবা মফম অমা ওইহন্নবা মীপুম খুদিংমকা উ চারাশিং থাবা খক নত্তনা মপুং মরৈ ফাহন্নবা য়েংশিনবীবা তঙাইফদে। ফোরেষ্ট বিভাগ খক নত্তনা উমং য়োকখৎপা হায়বসি অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগীসু দায়ত্ব য়ামা চাউই। থৌরম অদুদা মতাই রেঞ্জকী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার-জোবিদ মীতৈ য়াওনা ফোরেষ্ট বিভাগকী ওফিসিএল অমসুং কমিতিগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জে.এফ.এম.সি., এম.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.এ, এন.ব্রাই.এস.সিগী থৌমীশিং অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা উ চারা কয়া থাখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** রাজ্যগী আর্ট অমসুং কলচর মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেননা হায়রি-নাৎ অমসুং চৎনবী হায়বসি মহৈ মশিংগী শরুক অমনি। ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবীবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকবা হোৎনবদা হৌন-লোনচৎ খঙবা য়ামমক তঙাইফদে।

নুমিৎ ৩৭ নি চখ্থরকপা থিয়েতর ইদুকেসন প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনবগী থৌরম ব্রাফম অসি মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেননা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মহৈরোইশিংনাঠিয়েটরগী লমদা থৌগল্লোন অমগা লোয়ননা চংশিল্লবা মতমদতা ঐখোয়গী নাৎ অমদি চৎনবী হেন্না মশক থোকহনবা ঙমগনি।

থিয়েতর ফোর জেনরেসন চেঞ্জ হায়বসিদা য়ুন্স্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু মণিপুরী থিয়েতর একাদমি ব্রাংগোই, দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ

কলচর, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং জেদ.ই.ও ৱাংগোইনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট লোংজম জোয়কুমার সিংহ, আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী জোইন্ট দাইরেক্তর জি. ধর্ম্মদাস শর্ম্ম অমদি জেদ.ই.ও ৱাংগোই অরাম্বম অনিলকুমারনচিংবা শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** কুঞ্জালাতা দান্স পার্ফোমিং আর্টস রিছার্স সেন্টর-ককচিং অমসুং মিরর ওফ হুিসেল স্তোপ অনিনা শিনদুনা নুমিৎ ৩০ নি চুপা চথুরকপা ককচিং হরাউবা ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই হোলদা পাঙথোকপা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা রাজ সরকারগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বা রাজকুমার য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। ৱার্কশোপ অদু মরুওইনা ককচিং হরাউবগী মনুং চল্লিবা লাইচীং জগোই, লাইবৌ জগোই, লৈয়োম জগোই অমসুং ফমদৌ জগোইগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

**এনএসএস (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস) সেলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর : কন্টেষ্টেদ দাইভরসিতি, ভাইওলেন্স এন্দ দিবলপমেন্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অদুদা য়ু.জি.সি, এম.এম. টি.টি.সিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-রাজকুমার ভুবন সিংহ, এন.এস.এস. সেলগী কোওর্দিনেটর প্রোফেসার-এল. সন্তোস সিংহ অমসুং কনভেন্নর-ডা: থিয়াম ভারত সিংহনা ৱা ঙাংখি।

**এমেস্কো (এল)ঃ** মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অরিবা চৎনকাংলোন, ফিজেৎ, লাইনিং অমসুং ইকায় খুমবগী ফিদম ঙাক শেনমীন্নসি হায়না এমেস্কো, এম.এন.কে.এল. অমসুং অমাক্সুনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

লুপ অহুম অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হৌজিক মনিপুরদা মীতৈগী থৌরম কয়াদা ঐখোয়গী চৎনবী নত্তবা কয়া অমা য়াওশিল্লকপা অসিনা তুংগী মীরোলবু লান্না লমজিংনবা মচাক অমা ওইরি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ককচিং বজারগী বুধিরাজ লম্বী অমসুং ককচিং ময়াই লৈকাই হৈনৌবম পরেংগী পেবর ব্লোক থাদুনা শেম্বা লোইরবা লম্বী ঙসি এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুগা মরা লৈননা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীয়ামদা পাউদমখি। লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা অয়েৎপ অপন পীদনবসু মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**কুইজ (এল)ঃ** অনিরকশুবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কুইজ কম্পিটিসন, ককচিংগী ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ককচিং য়ুথ এল্লাইয়েন্সনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-নোংমাইথেম রাজমোহোন য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। কুইজ কম্পিটিসন অদুদা পুন্না মহৈরোই টিম ৪৩ না শরুক য়াখি।

**ব্রিক্সঃ** ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী ওইবা এন্টি দ্রগ এজেন্সিশিংগী নুমিৎ

নিনি চথুগদবা মীফম হয়েংদগী গুৱাহাতিদা হৌরগনি।

হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অদুদা ব্রিক্সকী সদস্য লৈবাকশিংগী এন্টি দ্রগ এজেন্সিশিংগী মকোকশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা দ্রগ কন্ট্রোল এজেন্সিশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি। মীফম অসিদা ওপরেসন চথুবদা তেংবাং পীনবা, ইন্টিলিজেন্সকী পাউ পীথোক পীশিন তৌনবা, কেপাসিতি বিল্ডিং অমদি পুন্না দায়ত্ব লৌমীন্নদুনা দ্রগকা মরী লৈনবা কিহল্লকপা কয়া মপুং ফানা মায়োকবা ঙমবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

**জি-রামঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ভিক্সিত ভারত-গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ অজিবিকা মীসন (গ্রামিন) ভি.বি-জি.রাম জি এক্টকী মখাদা রাজ্যশিংদা পীগদবা লুপা কোতি লিশিং ২৫ গী শেনফম কায়থোকখ্রে। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শেনফম অদু রিলিজ তৌরদুনা মহাকা এক্ট অসি থা অসিগী অমদগী মপুং ফানা মায় পাকা চৎনহল্লকপদা নুংঙাইবসু ফোংদোকখি।

শ্রী চৌহাননা হায়-এক্ট অসিনা অরীবা এম.জি. নরেগাগী মহুৎতা মায় পাক া শিন্দোকপা ঙমলে। শ্রী চৌহাননা হায়-এক্ট অসিগী মখাদা ভিক্সিত ভারতকী পা দম হেন্না খুমাং য়াংশিলহন্নবগীদমক লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা পঞ্চায়ট লাখ ২ লিশিং ৮৬ কীদমক লুপা কোতি লাখ ৭ মখায় হেন্না থাদগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

থা অসিগী তরুক অমসুং ৮ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াদা, ৮ দগীনা ১০ ফাওবনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসং ১০ দগীনা ১১ ফাওবা ন্যুজিলেন্দদা চৎকনি।

মহাক্কী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা ভারত অমসুং লৈবাক অহুম অসিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা

ৱারী শান্নগনি।

**মীতিংঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ব্রিক্স ৱিমেন ৱার্কিং গ্রুপকী মীতিং হয়েংদগী কেরলাগী কোচিদা হৌরগনি।

ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়-ব্রিক্সকী সদস্য লৈবাকশিংগী মকোক থোংবা সরকারগী ওফিসিএলশিংনা লম খুদিংমক্তা নুপীশিংদা শক্তি পীবা অমদি নুপীনা লুচিংদুনা চাউখৎপা পুরকবগী থৌওংগা মরী লৈনবা মরুওইবা ৱাফম কয়া মীফম অসিদা খন্নগনি।

মীফম অসিদা নুপীশিংবু লৈঙাক সাসনদা য়াওহন্দুনা লুচিংবী ওইহনবা, নুপীশিংদা দিজিটেল অমদি ফাইনান্সিয়েলগী শক্তি পীবা, নুপীশিংবু ইন্টরপ্রেন্যুয়র অমসুং স্কিল দিবলপমেন্টগী লমদা মপুং ফানা য়াওহনবা অমদি অইং আশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বা, মচি ওইবা চিঞ্জাক নীংথিনা ফংহনবা হায়বনচিংবা মরুওইবা হীরম মরিদা মীফম অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অসিনা থা অসিগী ৮ অমসুং ৯ দা পাঙথোক্কদবা ব্রিক্সকী নুপী মন্ত্রিশিংগী মীফমগী অচেৎপা য়ুম্ফমসু শেমগনি।

**তিলহৌ ঃ** সরকারনা তিলহৌ থাবা মীওইশিংদগী তিলহৌ লৈবগী মমল চাদা ১৩ হেনগৎহনখ্রে। হান্না ক্বিটন অমদা লুপা লিশিং ১,৮৭৫ পীরম্বা অদু হৌজিক লুপা লিশিং ২,১২৫ পীরগনি। কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না হায়- নৌনা মমল হেনগৎপা অসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা সরকারনা চাং ৱাংনা তিলহৌ লৈশিনবা ঙমহল্লগনি।

এগ্রিকলচর এন্দ ফারমরস ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টকী অনিসুবা এদভান্স ইষ্টিমেটকী মতুংইন্না ২০২৫-২৬ কী ওইনা তিলহৌ মেট্রিক টন লাখ ৩০৭ গী মথক্তা পুথোক্লবা য়াই হায়না পানরি। মন্ত্রালয়না হায়- মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ অমসুং গুজরাত্তা তিলহৌ মরাং কায়না পৈশিন্দুনা থম্লে। তিলহৌগী মমল অসি

লৈবাক শিনবগী ওইনা চাংচৎতা কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ৩১ গী চাংদা লৈরি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকা মোরোকোগা থেংনরগনি।

রাউন্দ ওফ সিক্সতিনগী মেটতশিংদা, ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায় তাবদা ব্রাজিলগা নোরৱেগা, হয়েং অয়ুক পুং ৫ মখায়দনা মেক্সিকোগা ইংলেন্দগা শান্নগনি।

**ক্রিকেটঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টৌইন্তি ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** পোল ষ্টার দিবলপমেন্ট য়ুনিয়ন টিম (এ) লমজাউনা অহানবা পি.এস.দি.য়ু. ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মপু ওহখ্রে।

পি.এস.দি.য়ু. লমজাউনা শিনদুনা লমজাউ মখা লৈকাইগী শান্নবুংদা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-পি.এস.দি.য়ু. টিম (এ) না রিও মার্ট-লাংমৈদোংবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা ট্রোফি অসিগী মপু ওইখিবনি।

**পেনকেক ঃ** শিল্লোংগী নেহ্রু সাই জিমনাসিয়ম হোলদা ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৪ শুবা সেনিয়ার নেসনেল পেনকেক সিলাট চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী নুপামচা, নুপীমচা শান্নরোই অমসুং ওফিসিএল য়াওনা পুন্না মীওই ২৯ না শাবা মনিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি ইন্দিয়ান পেনকেক সিলাট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মেঘালায়া পেনকেক সিলাট এসোসিয়েসননা য়ুম্বু ওইদুনা

পাঙথোক্কদবনি।